# ৱুশু মশান্নদগী অর্জুনা এৱার্দ অহুম পুরকপা ঙম্বসিনা তাক্লিবদি গেম মখলসি ঐখোয়গা চানৈ হায়বনি



ৱাই সনাথোই
*(অর্জুনা এৱার্দি, ৱুসু)*

=== রত্নেশ্বরি গোশ্বামী ===

আর্জুন এৱার্দিশিংদা মীৎয়েং অমা

(ঙরাংগী মখা)

অশেংবমকসু, ৱুশু হায়বা গেম মখলসিদি চাইনাদগী হৌরকখিবনি। অদুনা শান্নবা হেক হৌরকপদগী মখোয়দি কাংলোন চুম্না শান্নরকখ্রবনি। অদুগা ঐখোয়না শান্নরিবা মওংসিনা মখোয়গী মতৌ তমদুনা শান্নবনি। চাইনাগী প্লেয়রশিংনা চারিবা দাইত, ফুদ সপ্লিমেন্ট ময়ামসিদি অঙকপনি। হেক মথৌ তাবা দাইত খুদিংমক অমত্তা ৱাৎতনা চাবনি। মচল শুবা চিঙ্গাক চারগা ৱর্ল্ড ক্লাসকী অহানবা ষ্টেদিয়মদা মনিং তম্না নুংঙাইনা শান্নবনি। ঐখোয় ইন্দিয়া মচাগীনা অৱা-অনা থিদনা ঙমজবা পাঙ্গল লোইনা ফুদোক্তুনা হোৎনবনি। অখাংবু কল্লবা, হোৎনববু লেপত্রবা মদুগী মহৈ অমদি শোইদনা ফংই হায়বদুসু অচুম্বনি। ঙসিদি ঐখোয় ইন্দিয়া মচাশিং কন্না হোৎনজবদগী চাইনাগী মশক নাইবা প্লেয়র কয়াগা ফাইনেলদা থেংনজবদি ঙমজরে। অদুবু ঐখোয়দি মচল শুবা চিঙ্গাক, শান্নরোয় অমনা চাগদবশিং ঙসিসু চাবা ঙমদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী বোদি ষ্ট্রকচরসিদি ৱুশু শান্নরোয় অমনা ওইগদবা ফিগরদু ওইদ্রি। অদুনা কম্পিটিসন কন্না শান্নরকপা, ফাইট তৌনরকপা মতমদা ঐখোয়গী শিংলি-নাউরি, মসলশিং অসি মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙল্লক্তে। চোংবা, লৈথোক- লৈশিন তৌদুনা শান্নরকপদা ফজনা পর্ফোমেন্স পীবা ঙল্লক্তে। শান্নরোয় ঐখোয়দি চারিবা চিঙ্গাক অসিগসু য়াম্না মরী লৈনৈ। চাইনাগী শান্নরোয়শিংনা চারিবা ভিটামিন, প্রোটিন মখল কয়া ইনর্জি দিঙ্কশিং, মখল মখা কয়াগী মনা-মশিং ঐখোয়দি চাবা নত্তে। ফুদ সপ্লিমেন্টতা মখল শুনা শা-ঙা লোইনমক ফজনা চাবনিনা মখোয়গা লম্বা তৌদুনা শান্নমীন্নরকপা মতমদা মখোয়না খরা হেন্তক অদুম লৈ। হৌজিক ঐখোয়দা ৱাৎলিবসিদি খুৎশু-খুৎলায় ইক্যুপমেন্টগা মচল শুবা চিঙ্গাক্তা অনীসিনি। অদু ওইরবদি ঐখোয়সু মখোয়গা চপ-চাবা লম্বা হায়বদু ওইবা ঙমগনি।

অদুগা, ঐহাক্লা শান্নজরিবা শা-দা হায়বা ৱুশুগী ইভেন্ট অসি মণিপুর মচাগা য়াম্না চানবা অদুগুম্বা মশান্না মখল অমনি। ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা অঙনবা মতমদগী শান্নবীরকখিবা শরিৎ-শরাক্তা খরগীমখৈ মরী লৈনৈ হায়বসু য়াই। মসিদি ফাইট তৌনদুনা শান্নবা মখলনি। বোদি মুভমেন্টতা শান্নবা ইভেন্টদু নত্তে ঐগীসিদি। মরম অদুনা মতম চুপ্পদা অকুপ্পা ইশাগী শাজেল কাংলোনসু তৌদবা য়াদে। কোচশিংনা তাকপীবা টেক্নিক টেকটিসশিংগী মথক্তা ইশাগী ওইবা খরসু তোঙান্না হোৎনদ্রবদি ঐখোয় অচৌবা কম্পিটিসনশিংদগী মনা-মথুম ইরায় লায়না হেক্তা পুরকপা ঙল্লোই। অদুগা সান্দা অসি মণিপুরগী করম করম্বা মফমদা শান্নরিবগে হায়বা তারবদি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হায়রিবা মফমশিংদনা খরা হেন্না পাম্না শান্নবগুম তৌই। অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদগীদি মশিং য়াম্না শান্নবা হায়বদু ওইদে। মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি শান্নবা অসিসু লম লমগী ওইনা মায়কৈ অমদনা ফুটবোলসি য়াম্না পাম্না শান্নবসু য়াওই। মফম অমদনা হোক্কি, লম অমদনা জুদো, বোক্সিং, টাইক্বান্দো, আর্চরি ... মখল মখলনি। অপান্বশিং খল্লগা অদুম পঙশান্দা শান্ননৈ। থাঙ-তা মার্সিএল আর্ট ঙাক্তা পাম্না শান্নবা মফম ময়াম অমসু লৈ। ৱুশুগী ওইনা হায়জরগদি, দিষ্ট্রিক্ট খরদা শান্নবা গেমনি হায়জ নিংই। য়াম্না পাক-শন্না শান্নবা হায়বদুদি নত্তে।

ইন্দিয়াগী ওইনা ৱুশু য়াম্না পাম্না শান্নবা ষ্টেটশিংদি হরিয়ানা, জম্মু এন্দ কাশ্মির, দিল্লি, মধ্য প্রদেশ, উট্টর প্রদেশ অসিনচিংবনি। ৱুশুগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা তাওলু হায়বা অসিদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং মালেমগী লৈবাক কয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নবা ঙম্লি। মশান্না অসিদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং লোইনা নোপ্পা নত্তে।

... মথং মথং ...







## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৬

১) কুমজা ১৯৭৪ দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী থৌরম অদু করিনো?

২) জেসি ওৱেন (অমেরিকা) অমসুং লোঙ লটজ (জর্মনি) মরুপনি। লোঙ লটজ অনিশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবদা অফ্রিকাগী মফম অমদা লৈখিদে। মখোয় অনী অরোইবা ওইনা করম্বা মফমদা উনখি।

৩) অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি?

৪) ঐনা মহাকপু ওলিম্পিক্কী লমজেন্দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা তাখি। অদুবু মহাক লৈবাক অমগী গভর্ণর জেনরেল ওইখি। মহাক ইংলেন্দগী নিংথৌরেল অমদি মহাক্কী ইমুং-মনুংগী দাক্তর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী দেবিস কপকী টাইগী শান্নফম ন্যুত্রেল ওইবা মফমদা পাঙথোক্লগনি





ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ০৫(এজেন্সী):

মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা টিম কম্পিটিসন অমা ওইরিবা দেবিস কপকী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তাননা শান্নগদবা মেচ অদু পাকিস্তানগী কোনুং ইস্লামবাদতা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা শান্নগদবা অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা সিক্যুরিটিগী মতাংদা চিংনবা লৈবদগী ইন্টর্নেসনল টেন্নিস ফেদরেসনদা তোঙানবা ন্যুত্রেল ওইবা মফম অমদা শান্ননবা হায়খিবা অদু য়াদুনা থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩০দা তোঙানবা ন্যুত্রেল ওইবা মফম অমদা শান্নরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী দেবিস কপ টিম অদুগী কেপ্পেন অদু মমাঙদা মহেস বুবতিনা ওইরম্বা অদুগী মতুং রোহিত রাজপালনা ওইরগনি। সেপ্টেম্বর থাদা পাকিস্তানগী সিটি ইস্লামবাদতা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তাননা শান্নরমগদবা দেবিস কপ টাই অদু জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা আর্টিকল ৩৭০ রিভোক তৌখিবদগী লাকখিবা উংখৎনবা অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অসিনা ইস্লমবাদতা শান্নবা ঙল্লোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ১গী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তাননা শান্নগদবা টাই অদু ইন্টর্নেসনল টেন্নিস ফেদরেসনগী ইন্দিপেন্দেন্ট সিক্যুরিটি এদভাইজরশিংনা কুপ্না নৈনরবা মতুং লৈবাক অনীগী মফম নত্তবা অতোপ্পা ন্যুত্রেল ওইবা মফম অমদা শান্ননবা হায়রকখিবনি। মরম অদুনা পাকিস্তান টেন্নিস ফেদরেসননা হৌজিক কাংলোনগী মতুং ইন্না নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা ন্যুত্রেল ওইবা মফম অমা খনগদৌরি।

# চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা সিন্ধু মায়থীহৌরে, নুপাগী দবলস অমসুং মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র মায়পাক্লি



ফুজৌ, নবেম্বর ০৫(এজেন্সী):

চাইনানা য়ুম্ফু ওইদুনা লৈবাক অদুগী ফুজৌ সিটিদা পাঙথোক্লিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু মায়থীহৌরে। নুপাগী দবলস অমসুং মিক্স দবলস্তা ইন্দিয়াগী পেয়র অনী মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

চাইনাগী ফুজৌ সিটিদা ঙসিদগী হৌখিবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি।

মহাক্না চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় পাই য়ু পোগা লম্বা তৌনবদা পূং ১গা মিনট ১৪ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা গেম ১-২দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউনগী মেচ অদুদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় পাই য়ু পোনা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুগা লম্বা তৌনরকপদা পোইন্ট ২১-১৩দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাবা ঙমখি।


অনীশুবা গেম অদুদা পি ভি সিন্ধুবু পাই য়ু পোনা য়াম্না কন্না লম্বা পীরক্তুনা শান্নরবসু সিন্ধুনা পোইন্ট ২১-১৮দা থোইদুনা গেম ১/১ মান্নদুনা লৈখি। অহুশুবা অমদি অরোইবা দিসাইদিং গেম অদুদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় পাই য়ু পোনা ৱর্ল্ড নম্বর ৬তা লৈরিবী পি ভি সিন্ধুবু পোইন্ট ২১-১৯দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী পেয়র রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী পেয়র ফিলিফ সিয়ু অমসুং রায়ন সিয়ুবু ২১-৯, ২১-১৫দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী এস রানকিরেদ্দি অমসুং অশ্বিনি পোনাপা অহানবা রাউন্দদা কনাদাগী পেয়র জে হুর্লবর্ট য়ু অমসুং জে য়ুবু ২১-১৯, ২১-১৯দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ কোরিয়াগী এস জে সিও অমসুং ৱাই জে সেগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র অশ্বিনি পোনাপা অমসুং সিকি রেদ্দি অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী ৱেনমৈ লি অমসুং য়ু ঝেংগী মখুত্তা ৯-২১, ৮-২১দা মায়থীহৌখি।

# ইন্দিয়াগী শুটর দিপক কুমার এসিয়ন শুটিংদা ব্রোঞ্জ ফংখিবদগী টৌকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইখ্রে, মনুনা গোল্ড ফংখ্রে



দোহা, নবেম্বর ০৫(এজেন্সী):

এসিয়াগী লৈবাক কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকপা এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী শুটর দিপক কুমার নুপাগী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা টৌকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী শুটর মনু ভাকরনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী দিপক কুমারনা নুপাগী এয়র রাইফল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ৬২৬.৮ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমদুনা কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা চাইনাগী শুটর অনীনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল ফংখি।

চাইনাগী শুটর লিয়ু য়ুকুননা পোইন্ট ৬২৯ ফংদুনা গোল্ড ফংখ্রবা মতুং অতোপ্পা লৈবাক অদুগী শুটর য়ু হাওনাননা পোইন্ট ৬২৬.৪ ফংলগা সিলভর মেদল ফংখি। নীংশিংবা য়াই, চহী অসিদা পাঙথোকখিবা বৈজিং ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর দিবিয়ান্স সিংহ পনৱরনা ইভেন্ট অদুগী ওইনা মাংজৌননা টৌকিও ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

দিপক কুমারনা ঙসি দোহাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ব্রোঞ্জল মেদল ফংখিবা অদুগী মাংওইননা টৌকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ব্রাজিলগী সিটি রিওদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ শুটিংদা পোইন্ট খর ৱাৎখিবদগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবনি।

কটারগী এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী শুটর মনু ভাকরনা নুপীগী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা পোইন্ট ২৪৪.৩ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবতা নত্তনা জুনিয়রগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। মনু ভাকরনা গোল্ড মেদল ফংখিবা ইভেন্ট অদুদা চাইনাগী শুটর ৱাং কিয়াননা পোইন্ট ২৪২.৮ ফংলগা সিলভর মেদল ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা অতোপ্পা চাইনাগী শুটর জিয়াং রানজিননা পোইন্ট ২২০.২ কাপ্পগা ফংবা ঙমখি।

এসিয়ন শুটিং চেম্পিয়ন অদুদা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা চাইনাগী শুটর য়াং কিয়াননা পোইন্ট ২৫১.৬ ফংলগা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুদা সিঙ্গাপোরগী শুটর দেসা নিওনা পোইন্ট ২৫১.৪দা সিলভর অদুগা সাউথ কোরিয়াগী জুং উনহিয়ানা পোইন্ট ২২৮.৯দা ব্রোঞ্জ লৌখি। ইন্দিয়াগী শুটর ইলাভেনিল ভালারিবননা পোইন্ট ১৮৭.১ ফংগা ৫ শুবা পোজিসন তাখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুগী জুনিয়র মিক্স ট্রেপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মনিসা কির অমসুং বিবান কপুরনা পোইন্ট ৩৪ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

# ভিয়েটনামগা শান্নগদবা অনীশুবা ফ্রেন্দলি মেচতা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা মায়থীখিবা অদু ফুগৎনবা হোৎনগদৌরি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৫(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা ভিয়েটনামদা ফ্রেন্দলি মেচ অনীগী টুর অমা লৈরিবা অসিগী মনুংদা অহানবা মেচ অদু মায়থীবা নংখ্রবা মতুং হয়েং শান্নগদবা অনীশুবা মেচতা মায় পাকপা ঙম্নবা কন্না হোৎনগদৌরি।

ইন্দয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিগী হেদ কোচ ওইরিবা মেমোল রোকিনা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুদা চেকশিন ৱাহৈ অমদি টিম অদুনা মমাঙদা শান্নখিবা মেচশিংদা লৈখিবা থৌনা অদু হন্দনবা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ফিফানা শকখঙলবা ফ্রেন্দি মেচ অনীগী মনুংদা অহানবা মেচ অদু ভিয়েটনামনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। ফিফাকী রেঙ্কিংদা য়েংলুবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসি ভিয়েটনামনা থাক ৱাংনা লৈরি।

কোচ মেমোল রোকিনা মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুদা থাজবা থমদুনা পাঞ্জল ০-৩দা অহানবা মেচ মায়থীবা নংখ্রবসু মদুদগী কান্না কয়া অমা ফঙবা ঙমখি হায়খি। কোচ রোকিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ভিয়েটনামগী শান্নরোয়শিং অদুগী অশোনবা মফমশিং অদু হান্না মেচ অদুদা উবা ঙমখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা হেন্না শাফু পীগদবা মফমশিং অদুসু মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুদা মরিক চুম্না থমখি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা উজবেকিস্তানগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেচ অনীগী অহানবা মেচতা য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ১-৫দা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং অনীশুবা মেচতা অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা মথংগী চহীদা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদেরেসনগী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ক্বালিফায়র শরুক য়াবদা অহেনবা পাঙ্গল ফঙননবা ফ্রেন্দলি মেচশিং অসি শান্নবনি। মেচ অমা মায়থীরবসু মদুদগী তমহৌবা য়াবা হিরম কয়া অমা টিম অসিগী শান্নরোয়শিং অসিনা খঙজিনবা ঙমখি।

# এ টি পি টুর ফাইনেলদা নোবাক জোকোবিস অমসুং রোজর ফেদরর গ্রুপ পুনখ্রে, রফেল নদালগী কাংলুপ্তা সিসিপাস অমসুং জেবরেব য়াওখ্রে



লন্দন, নবেম্বর ০৫(এজেন্সী):

চহী অসিগী টেন্নিসকী সিজন লোইশিল্লকপদা পাঙথোকপা এ টি পি টুর ফাইনেলস অদু লন্দননা য়ুম্ফু ওইদুনা শান্নগদৌরি। মদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ২ নোবাক জোকোবিস অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ৩ রোজর ফেদরর গ্রুপ অমদা পুন্না য়াওখ্রে। অমরোমদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ রাফেল নদালনা ষ্টিফানোস সিসিপাস অমসুং অলেকজেন্দর জ্বেরেবকা পুন্না লম্বা তৌনরগনি।

হন্দক্তা দব্লীয়ু টি এ ফাইনেল চাইনানা য়ুম্ফু ওইরগা পাঙথোকখিবা অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্তিনা টাইটল ফংখি। টেন্নিস মশান্নগী ওইনা চহী অমগী লোইশিল্লকপদা নুপাগী এ টি পি অমসুং নুপীগী দব্লীয়ু টি এ টুর টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোকখিবা অদুদা খ্বাইদগী পোইন্ট য়াম্না ফংখিবা শান্নরোয় ৮/৮না টুর ফাইনেলসতা ক্বালিফাই ওইদুনা লম্বা তৌনবনি।

নুপীগী টুর ফাইনেলস লোইশিনখ্রবা মতুং নুপাগী টুর ফাইনেলস অদু থা অসিগী ১০দগী লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরি।

পুন্না নুপাগী শান্নরোয় ৮ অসিগী ওইনা গ্রুপ অনী থোক্লা লম্বা তৌনগনি। গ্রুপ অনী অদুদগী মকোক থোংবা শান্নরোয় অনীনা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা শান্নরবা মতুং ফাইনেল লম্বা তৌনগনি।

অহানবা গ্রুপ অদু য়ু এস এগী শান্নরোয় এন্দ্রি অগাসিগী মমিং লৌদুনা শান্নরোয় মরি লৈরি। মদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ স্পেনগী রাফেল নদাল, ৱর্ল্ড নম্বর ৪ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেব, গ্রিসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৬ ষ্টিফানোস সিসিপাস অমসুং জর্মনিগী ৱর্ল্ড নম্বর ৭ অলেকজেন্দর জ্বেরেবনা গ্রুপ অদুদা রাউন্দ রোবিন মেচশিং শান্নরগা সেমি ফাইনেলগীদমক মকোক থোংবা শান্নরোয় অনী খনগদৌরিবনি।

অনীশুবা গ্রুপ্তা স্বিদেনগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় বিয়োন বোর্গকী মমিং লৌরগা শান্নরোয় মরি লৈরি। মখোয়শিং অদুদি ৱর্ল্ড নম্বর ২ শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস, স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর, ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়ম অমসুং ইটালিগী মাটিও বেরেটিনিনি।